AIDS InfoNet www.aidsinfonet.org Fact Sheet Number 513

# মোল্লুসকম

SAATHII
Solidarity and Action Against The HIV Infection In India

**Molluscum** হায়বা অসি করিনো? Molluscum contagiosum হায়বা অসি উনশাগী লায়না মখল অমনি। মসি ভাইরস মহীক অমনা থোকহনবনি। মসিনা উনশাদা অপিকপা অপোম্বশিং থোকহল্লি। অপোম্বশিং অদু য়ামলবদা ইঞ্চি তঙ্খায়মুক চাউই। ময়ায়দা য়াম্না কনবা অঙৌবা মফম অমা লৈ। অপোম্বা খরদি ময়ায়দা অকুৎপা য়াওই। হায়রিবা অপোম্বশিং অসি অতোপ্পা নাদবা উনশাগা মচু মান্নরবসু লংখৎলগা লৈ। মখোয় অসি হাকৎচবা নৎত্রগা অনাবা ফাওদে।

মোল্লুসকম থোকহল্লিবা ভাইরস অসি য়াম্না চম্বা অমসুং মীওই খুদিংদা য়াওবা মহীক অমনি। হায়রিবা মহীক অসি হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল হায়বদি ইম্যুন সিষ্টেম কল্লবদি লাকশিন্দুনা থম্বা ঙম্মী। অদুনা পোল্লবসু কুইনা লৈতে। ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল শোল্লবদি মোল্লুসকমনা থোকহনবা অপোম্বশিং অসি শন্দোরক্তুনা য়াম্না কুইনা লৈবা য়াই। মসি ওইরবদি লায়েংবদা খরা ৱানা থোকই। এইডসনা শোকহল্লবা মীওইশিংগী চাদা ২০ দি মোল্লুসকমনা নাগল্লি।

মোল্লুসকম অসি থোইনা লুবা হকশেলগী সমস্যা নত্তে। অদুবু মসিনা থোকহবা অপোম্বশিং অদু য়াম্না শক থীবা অমসুং য়েংবদা নুংঙাইতবা ওই। মসিনা ৱাখল অমসুং পূক্নিংগী সমস্যা কয়া থোকহল্লি।

মোল্লুসকম করম্না শন্দোরকপগে? অনাবা উনশাগা হকথেংননা শম্নরুরবদি মোল্লুসকম শন্দোরকপা য়াই। মসি হকতিন্নরুবদগীসু তোয়না থোক্কল্লি। হকচাংগী শরুক অমদা হেক্তা নাবা য়ারবসু মায় নৎত্রগা অথিফম অমসুং হকচাংথোংগী শরুকশিংদা তোয়না থোক্কল্লি।

হান্না লৈবা অপোম্বশিংদগী অতৈ মফমশিং অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংদা শন্দোকপা য়াই। মসি অপোম্বা অমগা শম্নরুবা পোৎশকশিংদগীসু শন্দোরকপা য়াই।

ঐচআইভিনা শোকহল্লবা নুপাশিংদা লায়না অসি মায়দা তৌবা য়াই। ব্লেড শিজিন্নদুনা কোই ফানবদগীসু শন্দোরকপা য়াই।

মোল্লুসকমনা নারে হায়বসি করম্না খঙগনি ?
লায়েংবীরিবা মীওই অদুনা লায়না অসিনা থোকহনবা অপোম্বশিং য়াম্না লাইনা খঙদোকপা ঙম্মী। মখোয় অসি ইরং লংবা, উনশা মচু ওইবা, অনাবা অমসুং হাকৎচবা ফাওদবা অপোম্বশিংনি। মোল্লুসকমগা মান্নবা লাইওং লৈবা অতোপ্পা উনশাগী লায়না থোকহনবা অনাবা মখল অমা অনিদমক লৈ।

মোল্লুসকম করম্না লায়েংগদগে?
মোল্লুসকমনা থোকহনবা অপোম্বশিং অসি শজিককুম্না লায়েংগনি। লাইবকথীবদি হায়রিবা অপোম্বশিং অসি হঞ্জিল্লক্কল্লি অমসুং অমুক হন্না লায়েংবীগদবনি।

- মখোয় অসি লিক্কিইড নাইট্রোজেন শিজিন্নদুনা ফমজিনহনবা য়াই। মসিনা খ্বাইদগী লায়বা লায়েংনি।
- ইলেক্ট্রিক্কি য়েৎতুম নৎত্রগা লেজর শিজিন্নদুনা চাকথেককহনবা য়াই। মসিগী লায়েং অসি য়াম্না অনাবা ফাওই অমসুং করিগুম্বদা দাকফম লৈগল্লি।
- শজিক থুংবদা শিজিন্নবা ট্রাইক্লোরোএসিটিক এসিড (টিসিএ), পোদোফাইলিন নৎত্রগা পোদোফিলোক্সনচিংবা রসায়নগী পোৎশকশিং শিজিন্নদুনা লায়েংবা য়াই। হায়রিবা পোৎশকশিং অসি য়াম্না শোক্কনবা উনশা অমসুং মীৎ ময়াদা শিজিন্নরোইদবনি।
- মখোয় অসি থাঙ থাদুনা ককথৎপা নৎত্রগা 'কোথোকপা' য়াই। মসিদি য়াম্না নাই অমসুং দাকফম লৈগল্লি।
- ট্রিটিনোইন (রেটিন-এ) নৎত্রগা আইসোট্রিটিনোইন (একুটেন)নচিংবা উরিংগী হীদাকশিংসু শিজিন্নবা য়াই। মসি অনৌবা লায়েং মখল অমনি। মসিনা উনশাদা য়াওবা থাউগী চাং অদু হন্থহল্লি। উনশাগী মথক থংবা কুরাংবান অদু কংশিল্লক্তুনা কেনখিগনি। হায়রিবা হীদাকশিং অসিনা মফমশিং অসি ঙাংশিলহন্দুনা ইচোৎ চোৎথোকহনবা য়াই। রেটিন-এ অসি অপোম্বশিং অদুদা তৈগদবা মোলোম অমনি। অকুটেন হায়বা অসিনা গুলি ওইনা চাগদবনি।
- অতোপ্পা পাম্বৈ অমনা সাইডোফোবিভির, কেনথারিদিন নৎত্রগা ইমিক্কিমোদনচিংবা এন্টিভাইরেল হীদাকশিং শিজিন্নবনি। হায়রিবা হীদাকশিং অসি অপোম্বা অদুদা তৈগদবনি। মসিনা উনশাদা নুংঙাইতবা থোকহনবা য়াই।

মোল্লুসকম হায়বসি ঙাকথোকপা য়াব্রা? ভাইরস অসি য়াম্না লায়না ফংবা মরম্না মসি শম্নরুবদগী ঙাকথোক্নবগী পাম্বৈ লৈতে। করিগুম্বা অদোম লায়না অসিনা নারবদি ইশাদা পোল্লিবশিং অদুনা মীওই অমত্তদা শোকপীরুনু। মসিদা নত্তনা অতোপ্পা হকচাংগী শরুকশিংদা শন্দোরক্তনবা চেকশিনবীয়ু। ড়

অপোম্বশিং অদু খোৎপা নৎত্রগা কোই ফানবদা তত্তনবা চেকশিনবীয়ু। লায়েং পীরিবা মীওই খরনদি ইলেক্ট্রিক্কি সেভর শিজিন্নবনা মোল্লুসকম শন্দোকপা হন্থহল্লি হায়না খল্লি।

হীদাকশিং য়েংনবগী সমস্যা
Tretinion (Retin-A) অমসুং isotretinion (Accutane) হায়রিবা উরিংগী হীদাকশিং অসি উনশাবু য়াম্না কংহল্লি। উনশা কংশিল্লকপা অসি indinavir (Crixivan) হায়না খঙনবা প্রোটিএস ইনহিবিটর অমসুং অতোপ্পা এন্টিরেট্রোভাইরেল হীদাকশিং (এআরভিশিং) শিজিন্নবগী সাইড

# মোল্লুসকম



ইফেক্টনি। করিগুম্বা অদোম্না উনশা কংশিলহনগনবা এআরভিগা লোয়ননা মোল্লুসকম লায়েংনবা রেটিন–এ নৎত্রগা একুটেন শিজিন্নরবদি অদোমগী উনশাগী নুংঙাইতবশিং অদু হেনগৎলকপা য়াই।

অরোয়বা ৱারোল

মোল্লুসকম হায়বা অসি ভাইরসনা থোকহনবা উনশাগী লায়নানি। মখোয় অসি লায়েংবদা থোইনা লুবা নৎত্রবসু অপোম্বশিং অদুনা পূক্লিং অমসুং ৱাখলগী নুংঙাইতবা কয়া থোকহনবা য়াই।

লায়না অসি মীওই অমদগী অমদা উনশা শম্নরুবদগী শন্দোরকপা য়াই। মসি হকতিনমিন্নরিঙৈদসু শন্দোকপা য়াই। মোল্লুসকম নারবদি অদোমনা কোই ফানবদা অনৌবা মফমশিংদা শন্দোকখিবা য়াই।

শজিককুম্না মোল্লুসকমগী অপোম্বশিং অদুসু লৌথোকপা য়াই। লাইবকথীবদি মখোয় অসি তত্তনা হঞ্জিল্লক্লি অমসুং অমুক্না নৌনা লায়েংদবা য়াদে।

***Reviewed April 16, 2010***